# ভারত বাইওটেকনা জিকা ভাইরসকী ভেক্সিন প্রি ক্লিনিকেল ট্রাইয়েল চথবা হৌরগনি, অষ্ট্রেলিয়া, আইয়র্লেন্দদসু জিকা ভাইরস শন্দোরক্লে

*হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা ভারত বাইওটেকনা জিকা ভাইরসকী রিকম্বীনেসন ভেক্সিন অমসুং ইনএক্টিভেট ভেক্সিন পুথোক্লবগীদমক গ্লোভেল পেটেন্ট ফংননবা ফাইল তৌখ্রে।

প্রি ক্লিনিকেল ট্রাইয়েল মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা আইনগী মতুং ইন্না এপ্রুভেল পীরবদি ইন এক্টিভেটেদ ভেক্সিন চহী ২গী মনুংদা ফংহনবা ঙমগনি হায়না কম্পেনি অদুনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ঙসি পাউগী মীফম অমদা ভারত বাইওটেককী চিয়ারমেন অমসুং মেনেজিং ডাইরেক্টর কৃষ্ণ ইলানা ফোঙদোকখিবদা জিকাভেক ভেক্সিন অনীগীদমক অহানবা ওইনা গ্লোবেল পেটেন্ট ফংননবা ফাইল তৌবা ভারত বাইওটেকনা অহানবা ওইরি।

রিকম্বীনেট ভেক্সিনগীদি মতম চংগনি। অদুগা ইনএক্টিভেটেদ ভেক্সিন শাদা ক্লিনিকেল টেষ্ট তৌবদদি শুপ্নতংগী থা ৫ খক্তমক চংগনি। লুচিংবা অদুনা হায়, ভেক্সিন অদু পুথোক্লবগীদমক জিকা ভাইরস শন্দোকপা হৌরকপদগী কম্পেনি অদুনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ থাদখ্রে।

কম্পেনি অদুনা শেল থাদখিবশিংগী মনুংদা রোটোভেক (রোটো ভাইরস ভেক্সিন), টাইব বার টি সি ভি, টাইফোইদ কঞ্জুকেট ভেন্সিন পুথোক্লবা য়াওরি।




*বাইওটেক কম্পেনিগী চিয়ারমেন কৃষ্ণ ইলা ইনসেট – জিকা ভাইরস শান্দোকপা কাঙ এদিজ ইজিপ্তি*

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চিকুগুনিয়া ভেক্সিনগীদমকসু পেটেন্ট ফংননবা ফাইল তৌখ্রে। অদুগুম্বা ভেক্সিন অদুগী অহানবা ফেজগী ট্রাইয়েল অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়খি।

ভারত বাইওটেককী ডাইরেক্টর আর এন দি সুমাথিনা হায়, জিকা ভেক্সিন পুথোক্লবগী থবক পায়খৎপা ইং ২০১৪দগী হৌখি। অদুগা পেটেন্ট ফংননবগীদমক ইং ২০১৫গী জুলাই থাদা ফাইল তৌখি।

সুমাথিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জিকা লাইহৌ ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা চপ চানা থেংনবা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রি। অদুম ওইনমক জিকা ভাইরস লায়চৎ ওইনা শন্দোরকপদি হেনগৎলক্লি হায়খি।

কৃষ্ণ ইলানা হায়, ভেক্সিন মখল অদু কম্মর্সিয়েল ওইবা মওংদা পুথোকপদা চহী ৭ চংগনি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা ক্লিনিকেল ট্রাইয়েল চথবগী মতমসু য়াওরবনি।

ইন্দিয়া সরকারনা জিকা ভেক ভেক্সিনগী মতাংদা অয়াবা পীরবদি মীয়ামদা ফংহনবা ঙমগনি। ইন্দিয়া সরকারনা জিকা ভাইরস শন্দারকপদা নেসনেল ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্লবদি পায়খৎফম থোকপা অমদি ভেক্সিন ফংহনবগী থবক পায়খৎপা ঙমগনি।

লায়না অদুনা মরু ওইনা শোকহনবা য়াবশিং য়েংলগা নুপীশিংদা টার্গেট তৌদুনা ভেক্সিন অদু পুথোক্লবা হোৎনবনি। নুপা–নুপী খায়দনা ভাইরস অদুনা গুইলাইন–বার সিন্দ্রোম মহিক অদু চংখ্রবা মতুং উৎলক্কনি হায়রি।

ভারত বাওইটেকনা মখা তানা হায়, জিকা ভাইরসনা লেটিন অমেরিকাদা শান্দোরকপদা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মীয়ামগী হকশেলগীদমক হেল্থ ইম্মর্জেন্সি লাউথোকপা তঙাইফদে। লোয়ননা পুন্না দাইত্ব লৌমীন্নগদবনি হায়বা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

জিকা ভাইরস মালেমগী লৈবাক ২৩দা লৈরে। মালেমগী ওইনা ব্রাজিলনা খ্বাইদগী হেন্না ভাইরস অদুনা শোকহল্লবা মফম ওইরি। লমদম অদুদা ভাইরস অদুনা মরম ওইরগা পোকপদা শোইনাইহল্লবা কেস ৩৫০০ লৈ হায়না রিপোর্ট তৌরি।

অদুগুম্বা লায়না অদুনা থোকহনবা শোইনাইবগী ফিভম অদুবু মাইক্রো সেফালি হায়না খঙনৈ। জিকা ভাইরস এদিজ জিনস কৌবা কাঙ মখল অমনা শন্দোকপনি। কাঙ মখল অদু তুংদুনা লৈবা ঈশিংশিংদা মচা পোকই হায়রি।

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ২৩দা লায়না অদু লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং অষ্ট্রেলিয়াদা লায়না অদু নাবগী কেস অনি থেংনখ্রে।

সিদনিদা লৈবা হন্দত্তঃ কেরিভিয়নদগী হল্লকখিবা মীওই অনীদা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে। ইরাই নুমিৎতা চাংয়েং পাঙথোকপদা নুপা অমা অমসুং নুপী অমা ভাইরস মখল অদু পুরম্বা থেংনখি হায়না অষ্ট্রেলিয়াগী হেল্থ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

কাঙনা শন্দোকপা জিকা ভাইরসনা মপুং ফানা শেমগৎত্রিবা পুক্লুংদা লৈবা অঙাংশিংদা কা হেন্না শোকহল্লি হায়রি।

অষ্ট্রেলিয়াদা নৎত্তনা আইয়র্লেন্দদসু জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইবা মীওই অনী থেংনখ্রে। লৈবাক অদুদা লৈবা নুপা অমা অমসুং অহল ওইরবী নুপী অমদা ভাইরস অদু লৈরম্বা থেংনখি।

মখোয়গী পার্সোনেল হিষ্ট্রি লৌবদা মখোয় জিকানা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা চৎলুবগী রেকোর্দ ফংখি হায়রি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমেরিকাদগী জিকা ভাইরস মালেমদা শন্দোরকপা য়াই হায়না হেল্থ ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবা লৈখ্রে। লায়না অদুনা অমেরিকাদা নৌনা পোক্লকপা মপুং ফানা চাওখৎত্রিবা অঙাংশিংগী ব্রেনদা কা হেন্না অকায়বা পী। মদুতা নৎত্তনা নৌনা য়ু এস ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবদা ভাইরস মখল অদু হকতিন্নবদসু শন্দোকই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

জিকা ভাইরসনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা লায়না অদুগী লাইওং চাদ ৮০দি উৎতে। অদুম ওইনমক ভাইরস অদুনা মহিক চংলবা মীওই অদুদা নুমিৎ নিনি নৎত্রগা নুমিৎ তরেৎনি খক্তমক থোইদোক্লা কন্দবা মওংদা লাইহৌ হৌবা থোকহল্লি হায়রি।

# টালিবানশিংগা খূৎ থোক্লখিবা চহী ১০গী নুপামচা ১ স্কুল চৎপগী লম্বীদা হাৎখ্রে

*কাবুল, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

টালিবানশিংগা মায়োক্লনা খূৎ থোক্লখিবা চহী ১০গী নুপামচা অমা স্কুল চৎপগী লম্বীদা ইন্সর্জেনশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। নুপামচা অদু লৈবাক অদুগী হেরোনি হায়নসু ঙসি লাউথোকখ্রে।

টিরিন কোর্ট হায়না খঙনবা খাথংবা উরুজগন প্রোভিন্সকী কোনুংদা ৱাশিল অহম্মদ কৌবা নুপামচা অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখি হায়না দিপ্যুতি পুলিস চিফ হরিমুলা খাননা ফোঙদোরক্লি।

হরিমুলানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুপামচা অদুনা মহাক্কী মখুরাগা লোয়ননা থৌদোক কয়াদা টালিবানশিংগা মায়োক্লদুনা থেংনখি। সোসিয়েল মেদিয়াদা চহী ১০শুরবা অহম্মদনা য়ুনিফোর্ম অমসুং হেলমেদ উপ্পা অমদি নোংমৈ পায়বগী ফোটো থাগৎনরকখি। মশক খঙদবা খূৎ লায়পা অমনা নুপামচা অদুগী য়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখি।

অহম্মদকী মখুরা মমাঙদা টালিবানগী কম্মান্দর ওইরমখি। মদুগী মতুং মহাক্কী পুক্লিং ৱাখল হোংলকপগা লোয়ননা সরকারগা খুৎশম্নবতা নৎত্তনা লোকেল পুলিসকী কম্মান্দর ওইখি।

অফগানিস্তানদা নিয়ম কায়বা মওংদা অঙাংশিং লান্মী ওইনা শিজিন্নরি। অঙাংশিংবু লান্মী ওইনা শিজিন্নবগী থৌশিল অদু সরকার অমসুং ইন্সর্জেন্ট অনিমক্না চখৈ হায়না লাইল্ড সোলজর ইন্টর্নেসনেলনা ফোঙদোরক্লি।

আর্ম কনফ্লিক লৈবা লৈবাকশিংদা অঙাংশিং লান্মী ওইবগী মতাংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা থাদোরকখিবা রিপোর্টতা অফগান নেসনেল পুলিস অমসুং অফগান লোকেল পুলিসনা মরৈবাক নিংবা অমসুং ইকায়খুম্নবগী মিংদা অঙাংশিংনা লান্মী ওইনা শিজিন্নরি।

মদুগী মরু ওইবা মরমদি লায়রবনদি হায়রি। মমাঙ চহীগী মে থাদা টিরিন কোটকী এ এন পি চেক পোষ্টতা নহা ওইরিবা ওফিসার কয়া থেংনখি। মখোয় চহী ১৮গী মখাদা লৈবশিংনি। হায়রিবা অঙাং ওইরিবা পুলিস ওফিসারশিং অদুনা হৌখিবা চহী কয়াদগী দাইত্ব লৈবা থবক কয়া তৌরি হায়রি।

# পেলেষ্টাইনশিংগী এটেকতা ইজরেলগী নুপী বোর্দর গার্দ ২ শোক্লে

*জেরুসেলম, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

পেলেষ্টানশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ইষ্ট জেরুসেলমদা নহা ওইরিবা মীওই অহুমনা চথরকখিবা এটেকতা ইজরেলগী নুপী বোর্দর গার্দ অনী নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লে।

ওল্ড সিটিগী চংফমদা মীওই অমনা গার্দশিং অদুদা নোংমৈনা কাপশিল্লকখি। তুংদা মহাক ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখি।

পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরকপদা শোক্লবা গার্দ অমদি অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। হৌখিবা থা মরিদা পেলেষ্টাইন মচাশিংনা গারিনা থোমজিনবা, নোংমৈ কাপ্পা অমসুং থাঙনা থিন্দুনা এটেক চথরকপদা ইজরেল মচা ২৮ শিখ্রে। অদুগা এটেক চথরকপনি হায়বা পেলেষ্টাইন মচা ১৬০ রোম হাৎখ্রে হায়না ইজরেলনা ফোঙদোরক্লি।

অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকপা কয়া লৈখ্রে। মখোয়গী মনুংদা খরদি হিংনা ফাবা ঙমখি।

ওল্ড সিটিগী চংফমদা লৈবা কৈথেল অমদা ঙসি পেলেষ্টাইন মচাশিংনা এটেক অদু চথরকখিবনি। পেলেষ্টাইন মচা অহুমনা বোর্দর গার্দশিংদা শিংনরকখি।

মদু গার্দশিংনা মীওইশিং অদুগী আইদেন্টিটি কার্দ পুথোক্লবা হায়রুবদা থোকখিবনি। মীওই অহুম অদুগী মনুংদা অমনা নোংমৈ শৎতুনা বোর্দর গার্দশিং অদুদা কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

### সনা–সুদোকু– ৫০৩গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 7 | 1 | 6 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 7 | 4 | 1 |
| 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 8 | 3 | 6 | 5 |
| 3 | 7 | 5 | 8 | 1 | 9 | 6 | 2 | 4 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 4 | 7 | 1 | 5 | 9 |
| 4 | 1 | 9 | 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 3 |
| 1 | 9 | 4 | 7 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 |
| 2 | 6 | 8 | 9 | 3 | 5 | 4 | 1 | 7 |
| 7 | 5 | 3 | 4 | 8 | 1 | 2 | 9 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-504**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 6 | 8 | 2 | | | 9 |
| 2 | | | 1 | | | | | 8 |
| 5 | 6 | | | 3 | | | | 2 |
| | 8 | 7 | | | | | | |
| 4 | | 1 | | 6 | | | 7 | |
| 6 | | | | | 9 | 1 | | |
| 7 | | | 4 | 1 | | | 2 | 6 |
| 8 | 1 | 6 | | | | | | |
| 9 | 2 | | | | 6 | | 5 | |

# উন নিংখাইবদা লান্মী ১০ থিবা খঙদ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী সিয়াচেনগী অৱাং থংবা গ্লেসিয়রদা উন নিংখায়রকপদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১০ থিবা খঙদ্রে।

সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৫৮০০ ৱাংবা গ্লেসিয়র অদুদা পেট্রেলিং চৎলিঙৈদা উন নিংখায়রকপদা লান্মীশিং অদুদা শোকহনখি হায়না কর্নেল দি গোশ্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।


মাঙখ্রবা লান্মীশিং কন্নবগীদমক লান্মী অমসুং এয়ারফোর্সকী পার্সোনেলশিং মফম অদুদা চংশিনখ্রে। নিংথম থাগী মতমদা লমদম অদুদা উন নিংখায়বা অমসুং লেন্দ স্লাইদ থোকপা হায়বদু তোয়না থোকপা থৌদোক অমনি।

লমদম অদুদা হৌজিক –৬০ দিগ্রি সেলসিয়সতা ইংবগী ফিভম মায়োক্লরি। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অশোই অঙাম থোকহৌদ্রবা মীওইশিং হল্লকখ্রে।

জনুৱারি থাদা চপ মান্নবা থৌদোক্তা লান্মীগী মীওই মরি শিহনখি। অদুগা মমাঙ চহীদসু লান্মী কয়া লেহ মনাক্তা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা গারিগা লোয়ননা উননা ফুমজিনখিবদগী লান্মী মরি শিহনখি।

ইং ১৯৮৪দগী লমদম অদুদা উন নিংখায়রকপা অমসুং লেন্দ স্লাইদ লোয়ননা হায় অলটিট্যুট সিগনেল নৎত্রগা হার্ট ফেল ওইবদগী লান্মী ৯০০ শিহনখ্রে হায়রি।

# হমিদ অন্সারি থাইলেন্দদা থুংখ্রে



*ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি*

*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

নুমিৎ হুমনিগী ওফিসিয়েল খোঙচৎতা ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি ঙসি থাইলেন্দদা থুংখ্রে। লুচিংবা অদুগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবা অমসুং তোঙান–তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি।

লুচিংবা অদুনা এয়ারপোর্টতা থুংলখিবদা থাইলেন্দগী দিপ্যুতি প্রাইম মিনিষ্টর প্রাজিন জুনতোংনা তরাম্না ওকখি।

অন্সারিনা থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রায়ুত চান্দ–ও–চাদসু উন্নগনি। চহী ৫০গী মতুংদা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমনা থাইলেন্দদা চৎপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

থাইলেন্দগী নিংথৌ মচা মহাচক্রি শীরিন ধোরন য়াওবা বেঙ্কোককী চুলালোং কোরন য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদসু হমিদ অন্সারিনা লুক ইষ্টতগী এক্ট ইষ্ট হায়না মমিং ওনখ্রবা থৌশিল অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

থাইলেন্দ ইন্দিয়াগী মরুপ মপাং অমা ওইবতা নৎত্তনা এসিয়ানগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি। লুচিংবা অদুনা থাইলেন্দদা থুংখিবদা থাইলেন্দদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসেদরনা থৌরম মপু ওইদুনা লুচিংবা অদু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

# লুপা ক্রোর লিশিং ১০ চংবা অসামগী গ্যাস ক্রেকর প্রোজেক্ট প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গারগনি


*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

লুপা ক্রোর লিশিং ১০ চংনা শাবা অসামগী গ্যাস ক্রেকর প্রোজেক্ট প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমিৎতা শঙ্গারগনি।

প্রোজেক্ট অদু শঙ্গানবগীদমক মতম লেপখ্রে। শঙ্গাবা লাকপগী খোঙচৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনিয়ন ফর্টিলাইজর মিনিষ্টর অনন্থ কুমার অমসুং প্রোট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধানগা লোয়নরক্কনি হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা শঙ্গাগদৌরিবা প্রোজেক্ট অদু অৱাং নোংপোক লমদমদা অহানবা পায়খৎপা প্রোট্রোকেমিকেল প্রোজেক্টনি। লমদম অদুদা সোসিয়ো ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ফগৎহন্নবা ইতিহাস ওইনা ইং ১৯৮৫কী আগষ্ট ১৫দা অসাম একোর্দ সাইন তৌনখি।

ইং ২০০৭তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অসামগী দিব্রুগর মনাক্তা লৈবা লেপেটকতাদা প্রোজেক্ট



অদু যত্রা হুনখিবনি। প্রোজেক্ট অদু ব্রহ্মপুত্রা ক্রেকর্স এন্দ পোলিমর লিমিটেদ হায়না কৌবা কম্পেনি অমগা পুন্না পায়খৎমীন্নবনি।

জি এ আই এলনা চাদ ৭০ অদুগা অসাম সরকার, ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদ অমসুং নুমালিগর রিফাইনরিনা চাদ ১০–১০ পুথোক্তুনা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপনি।

প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা লুপা ক্রোর লিশিং ১০ চংখি। মদুতা নৎত্তনা সেন্টরনা সবসিদি ওইনা লুপা ক্রোর ৫০০সু পীখি হায়রি।

প্রোজেক্ট অদু অফবা মখলগী পোল্লিমর চহী অমদা টন লাক্ষ ২.৮০ পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। মদুগী মনুংদা পোলিথিলিন টন লাক্ষ ২.২০ অমসুং পোলিপ্রোফাইলিন টন লিশিং ৬০ পুথোকপগী থৌশিলসু য়াওরি।

য়ুনিট অদুদগী পুথোক্কদবা পোলিমর অদু প্লাষ্টিককী উপু কাংথোন শাবদা শিজিন্নগনি। লোয়ননা পি বি সি পাইপ অমসুং অতোপ্পা পোৎয়োমগী মচাকশিং শাবদা শিজিন্নগনি হায়রি।

প্রোজেক্ট অদুনা লমদম অদুগী মীওই লিশিং ৩ লোম হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা থবক পীগনি। প্রোজেক্ট অদু মপুং ফানা থবক হৌরবদি মেন পৱারগীদমক মীওই লিশিং ২০ থবক পীবা ঙমগনি হায়রি।

# দলিট মহৈরোই ৬০ মথন্তা শিজগনি লাউথোকখ্রে

*পটনা, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

বিহার সরকারনা কলেজ তম্লীবা মহৈরোইশিংদা পীবা ষ্টাইপেন্দ লেপখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা উরিষাদা ইঞ্জিনিয়র তম্লীবা দলিট মহৈরোই ৬০না মথন্তা শিজগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মহৈরোই ৬০ অদু ভুবনেশ্বরদা লৈবা রাজধানি ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজদা ইং ২০১৪দা মিং চনখিবনি। বিহার সরকারনা দলিট মহৈরোইশিংদা পীবা ষ্টাইপেন্দ স্কিমগী মখাদা মখোয়শিং অদু মহৈ তমখিবনি।

অদুম ওইনমক কলেজ অদুদা মিং চনবা থা ৬কী মতুংদা ষ্টেট সরকারনা দলিট মহৈরোইশিংদা পীগদবা ষ্টাইপেন্দ অদু থিংজিনখি। মরী লৈনবশিংদা মহৈরোইশিংনা কয়ারক হন্না হায়জরবসু তাবিখিদে হায়রি।

দলিট মহৈরোইশিংদা ষ্টাইপেন্দ পীবগী স্কিম অদুগী মখাদা মহৈরোই অমমদা লুপা লাক্ষ ১.১ চহী অমদা পীগদবনি।

গজেন্দ্র কুমার কৌবা দলিট মহৈরোই অমনা ফোঙদোকখিবদা কলেজ ওথোরিটিনা মখোয় চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ৮দা হোষ্টেল অমসুং কলেজ অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখি।

মদুগী মতুংদা বিহার সরকারনা কয়ারক হন্না হায়জরবসু পীফম থোকপা ষ্টাইপেন্দ পীরক্তবদগী হায়রিবা থৌওং অসি চথরকপনি হায়খি। অতোপ্পা মুকেস কুমার কৌবা মহৈরোই অমনা হায়, কলেজ অদুগী প্রিন্সিপালনা পীফম থোকপা শেনফমশিং পীরবা মতুংদা মখোয় অমুক হল্লক্নবা খঙহল্লকখি।

হৌজিক বিহার সরকারনা পীফম থোকপা শেনফম অদু পীদ্রবদি মখোয়গী ওইবা খোঙথাং হায়ববু মথন্তা শিজবা হায়বু নৎত্তনা অতৈ লৈতে হায়খি।

মহৈরোইশিং অদু কজেল অদুদা অনিশুবা চহীদা তম্লীবনি। মহৈরোইশিং অদুগী ইমুং মনুংনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং উন্নখ্রে অদুবু সরকারনা থাজবা পীরকপা লৈতে হায়না পুজা কুমারিগী অপোকপনা ফোঙদোরকখি।

# প্লেন ক্রাসতা অহুম শিরে

*জোহানেসবর্গ, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী জেহানেসবর্গতা অপিকপা প্লেন অমা কায়বদা মীওই অহুম শিরে হায়না ইম্মর্জেন্সি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ফিভম চাদনা শোক্লবা মীওই অহুমগী হকচাং অদু এয়ারক্রাফ অদুগী মনুংদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। প্লেন অদু সহর অদুদগী কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবা বেনোইদা কায়খিবনি হায়রি।

# বুরুন্দিদা বোম থংন–থংননা পোকখায়খ্রে

*বুজুম্বুরা, ফেব্রুৱারি ৩ঃ*

ময়াই থংবা অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা বুরুন্দিগী কোনুংদা গ্রেনেট অহুম মথং মথং পোকখায়খ্রে।

পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদু লৈবাক অদুগী লল্লোল ইতিক্কী মরু ওইবা সহর বুজুম্বুরাদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই মরি অশোক অপন নংখি।

ইং ২০১৫গী এপ্রিল থাদা প্রসিদেন্ট পিরেকুরুনজিজনা য়েৎননিংঙাই ওইবা মওংদা অহুম্লকশুবা ওইনা শক্তিঃ পায়রকখিবদা বুরুন্দিদা ৱাথোক কয়া থোক্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা বুরুন্দিগী ফুরুপশিংগী মরমদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লি। হন্দক্কী এটেক অদু মহৌশাগা মান্নদবা অমনি। বোম অদু নুংথিলগী মতমদা পোকখায়খি। অদুগা হিংশাগী থৌদোক কয়ানা নুমিদাংগী মতমদা থোক্লিবনি হায়রি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 68/SDC/P of 2016

**Laitonjam Rashini Devi,**
W/o (L) L. Surendra Singh of Wangkhei Ayangpalli
Petitioner

-Vs-

**L. Surendro Singh,** S/o (L) Ibohal Singh
of Wangkhei Ayangpalli
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 3rd Febuary 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27 Wangkhei Nongpok গী Patta No. 180/Angsh (অরিবা) 340/1040 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1378/1631 an area 0.185 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/144 (d)/4
Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 77/SDC/P of 2016

**Md. Habibur Rahman,**
S/o Kutubuddin of Minuthong Golapati
Petitioner

-Vs-

**Md. Nizamuddin Khan,** S/o (L) Alimuddin
of Kshetri Bengoon Makha Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 2nd Febuary 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40 Kshetri Bengoon গী Patta No. 150 (অরিবা) 7/868 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1049 an area 0.63 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/144 (a)/4
Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 78/SDC/P of 2016

**Maibam Nabakanta Singh,** S/o M. Birbachand Singh
of Singjamei Wangma Bheigyabati Leikai
Petitioner

-Vs-

**Lairenjam (N) Maibam (o) Ibemcha Devi,**
W/o M. Janendra Singh of Brahmapur Bheigyabati Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 3rd Febuary 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 49 Bheigyabati Leikai গী Patta No. 169, 75 (অরিবা) 267 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 357 an area 0.5000 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/144 (c)/4
Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 80/SDC/P of 2016

**(1) Telem Munindro @ (Bobby) Singh,**
S/o (L) Nabachandra Singh of Khurai Chingangbam Leikai,
**(2) Telem Bhogendrokumar Singh,** S/o -do- of -do-
Petitioners

-Vs-

**T. (O) Hemolata Devi,**
W/o Nabachandra Singh of Khurai Chingangbam Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 3rd Febuary 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 24 Khurai Chingangbam Leikai গী Patta No. 73/Angsh (অরিবা) 257/833 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 92/563 an area 0.5600 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/144 (b)/4
Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East